> “কদোমদনো লম্বেলসিবু -চীনগা খূৎকা মান্নদবা, লমথুংফমগা লম্বেলগা শম্নদবা।”
> *- এলাংবম নীলকান্ত (চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)*

# শৈরেং

## কমদৌই

**— এল চিত্র**

ঙসিদি থুংলরে অভিসাপ
মমা কয়াগী তেংথা খোঞ্জেল
অপীকপা ফূরুপ্পু ইকায়বা পীবা
মালেমদা লৈতে নঙগুম্বা
কুকিগী তমথীবা থৌদোক্তুনা
শাওরবা লমহেনবা নহা খরনা
ফি মুনখিবগুম দ্রৌপতিবু দুশাশননা
সভা মাঙদা নিংথৌগী মমাঙদা
খাম্বীনবা লৈতবনা অঙম অথৌ পূম্বা
কৌদুনা কপখি শ্রীকৃষ্ণবু
কনবীনবা নুপীগী ইকায়খুম্নবা
ৱারীসি শেংলবা হিন্দুগী মহাভারতকী ৱারীনি
কনখিবনি লাইবক থীরবীদু মীতৈ খরনা
লম্বী তাকখিবনি শোয়দ ঙামদনা য়ৌনবা মরমদা
ইন্দিয়াগী কোনুং দেল্লীগী অকোইবদা
চেল্লিবা বসকী মনুংদা
মাঙহনবীখি ইকায়খুম্নবা নুপীগী
লাইবক থীরবীদু তাইবঙপাল থাদোকখি
মসিদি ইকায়নীংঙাই ওইদ্রবরা?
কুকিবু মথৌ হাপ্লিবা
মীতৈ নুপীবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবা
মজাতিগী ইকায়খুম্নবা মাঙখিনি কিজবনা
হায়দোকখিদে কনাদা মশানা মশাবু মীনমজখি
হায়দোক্তবগী অৱাবা, থম্মোয়নুংদা ফুমদুনা
হিংলিবনি থম্মোয় কায়না হিংনীংদ্রবা পূন্সিদা
অমুক্তংদি লমন খুমগে খন্না
লোক সভাগী মীখল হরাও কুম্মে ওন্থোকপা
ফজে মমিং ফজে
অপঙবা মীহুৎ, শেলনা লৈবা য়াদবা মীয়াম
হরাও কুম্মে, নোংমৈ কাপ্পা
কিহন খংহনবা, ওইদবা ঙাঙবা
কদায় কাবা ঙম্বা মীহুৎ ওইনা
মীশিং য়ামজদবা পীক্লবা লৈবাক
মীহুৎ অনী থৌওইদে
কমদৌই মশীং শুদ্রবরা?

## কালেন্থা নঙদি লাক্লবোই

**— ঙাংবম ইবেতোম্বী**

মহৌশাই খোঙচৎ কায়দনা
লাক্লেদো কালেন্থা নঙদি
উৎলরেদো নতিক নয়াই অহেনবা।
কুমজা কুমওন খুদিং কুমগাওদা
কালেন্থা নঙনা লাকপদা
নিল্লম্বনিদো মণিপুর সনা লৈবাকসে
পেনা শরিক খোঞ্জেলগা
হরাউ পুঙলোন পুঙখোনগা তিন্না তিন্না,
লাইবুঙ খুদিং সনা লিকফাং পরেং লেংবগুম
লেংলম্বনিদো মৈরা পরেং পরেংনা।
নুমিদাংৱাইরম তময়ানা কোরি চেনবা কান
মালংনা লিরি খোঙদোইরকপা কান
খুঞ্জা মপারী মমোম কয়ানা
মালংগী ইপোমদা ফৌনানা জগোয় শাবগুম
জগোয় খূৎথেক কৎচবদো
লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীদা
উজবা ফংদ্রে ঙসিদি নীংশিংবতা মঙাইরে
চেৎনা পুল্লম্বা ইমাগী শমজি নিঙ্খায়খ্রে
চোইজাইনখ্রে ইমাগী শল্লাং
তৈথোকপীনবা কনা উদ্রে ইমাগী পিরাং
তেংথারি ইমানা অথৌবা মপারীশিং কৌদুনা
তখেল ঙম্বা, খাগী ঙম্বা, অৱা ঙম্বা
হল্লকখো লাকখো অমুক্তদি হায়না।

## ঈরাশিং অদুগী মথৌনা

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অওনবা খুন্নাই অসিবু উরুরগা
চহী হুম্ফু মথক্কী মীরোলনা
খল্লকখি নুংশিবনিদা
মতম অমগী ইমাশিংতগী
কৈথেল অদো মফম মতম নাইদবা
থবক অমত্তা তৌরমদে।
নুংশিনা লোয়নৈ থকসি-খাসি
মিঙ্গৌ থাগৌ, উচাল মৈরিগী মৈঙাল-লক্তা
ইনে, ইন্দোল, ইচে, ইনম্মা অমত্তা কায়নদে
মফম চানা খোমজিন লোইশিন্দুনা
মাগী মাগী মপাশিং
অমোৎ অকাই চাইথোক্লদে।
ইমাশিং অদুনা মচা, মশু
লোইনমক লোইশিন খোমজিন্দুনা
অফবা লম্বীগী মৈরা চুখৎলি,
অদুঙৈ লম্বীগী মৈরা চুখৎলি,
অদুঙৈ কৈথেলগী পোৎথোক্কী মমল
মীতোপ মীয়ানশিংগী মখূৎতা
তাখিবদা ইমাশিং অদুনা
মকোক্তা কোকশেৎ,
খ্বাংচেৎ মচি লাংদুনা মথৌনা
মরিংজেল উৎথোকখিবা অসি ফাওবা
মালেমদা নীংশিংদুনা লৈরি।

## তুংলমচৎকীদমক

**— এল বীমোলচান্দ**

চীংয়া তময়াদা ঙাল্লরি
অহিংগী তন্দননা তগুপ-তরেংনা
অথৌবা পারিশিংগী থৱায় রা
চঙসি-চঙঙমদা-হনসি হনঙমদা
ইনুং ঙাল্লকপা ঙাইরিবরা?
ইয়ুম মোংবা ইরানয়াই
তাঙ্গোই ওলহনখি লাম্মৈ থানবীনা
চেঙজেল পুদা থৱায়গীদমক
তুংওইনরমখি লৈজবা খিবিক
তমথীদকো হে (কুকি) লান!
মীতৈগী ঈনি অথৌবা পারিশিং
মায়োক য়ারমখি তুংলমচৎকীদমক
হনবা নাইদা থৌনা লিংজেল্লক
ঐখোয় লৈরি ইরমদমগীদমক
খোম্থাং য়ৈনা লাউরমখি
চীংখোঙ চীংয়া চীংমায় খোন্না।

## নঙবু নুংশিজবনা

**— রাজকুমারি মীনা**

শক্তমনি নহাক্কী কায়হন্নীংদবা
য়েংনীংদুনতা লৈরবা নুংশিরবা মায়থোঙ
থম্মোয়বু পোথাহনবীরিবী মতম পূম্বদা।
লৈতে কনাগসু চাংদম্নবা নহাক্কা।
তয়িং-তয়িংদুনতা লৈরিবা নতম্বাক্নি
য়েংজবগী পেনবা নাইদ্রবা
নুংশিবতনা থল্লবা নহাক্কী শক্তম
কাজাও মাপলনা কোইশিল্লবা
কাউঙমদ্রবা পুৱারী কয়া শাগোন্নরিবা
শংবান্নরবা ঈথক-ঈপোম কারিবা
নহাক্কী শক্লোন্নি য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা।
ফোঙদোক্লগনি কনাগী মফমদবু
অথোইবীনি নঙদি পূম্নমক্তগী মালেমদা।
অদুবু, অওনবা নঙগী শক্তম উরুবদা
লাংতক্নরবা পূক্নিং-ৱাখলসে ঐহাক্কী
পোথাফম খঙদে ফুম্বংননা ৱাখলসিনা
তাইনফম খঙদে কনাদসু থম্মোয়সিনা
অসুম্না ওইরক্কনি খনখিদে কৈদৌনুংদা
নঙতবু লাৎচবনি মতম মাগী খোঙচৎতা।
করিনো তাইবঙশা তৌরিবা মতৌসিবো
লৈথোক-লৈশিন, থৈদোক-থৈজিন
তৌররোইসিনে কৈদৌবগে ঐখোয়বু।
অশেংবতা হায়, অফবা-অচুম্বতা তৌ,
মপোক অমদি লাকহল্লসি কৈদৌবগে?
ফাথবা ঙল্লক্তরবা ককঙাওনরবা থম্মোয়না
নঙতবু লাৎচদুনা লৈবনি মতম পূম্বদা।
তোক্লসি মীৎতাংবীনা অউবা শাদুনা লৈবা,
খঙদবনা অখঙবা শাদুনা উরাও থরাওবা,
চৎলোয়দবা লম্বীনা চৎ, চৎকদবা লম্বীদনা চত্ত,
চিংনরিবনি ৱাখলসিনা তৌরিবা মওং-মতৌসিদা
মূৎখিদৌরিব্রা নঙগী তুংগী চারোল-শুরোল
ঙসিগী নিংথিরবা মালেম ফম্বাকথক অসিদগী।
থিরসি হংলসি অরোইবা নায়বা অচুম্বা
কলহৌনবা তুংগী মীরোল মীরোল কয়াবু।

# মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(২০৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্সু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্লুনা ফোঙজরগনি।)

ললহাং মপূঙ্ঙাইদা। লাইরেল মৈদিংঙুনা চুঙলেপ ৬০ লাললনা চোং। কাওরেল শলখাং তারা লাননা চোং। খংনং তারেল খুৎশু লৈতং লেংনা লালদা খৌশাবদি। ললহাং লমদম মপুঙ্ঙাই লালচাইরে। ময়ুম কৈশা য়ুমশা মৈবী মৈথানা। হুয়েল লালদাঙৈদি। মৈবী তাঙগোই তানা চাক মৈখু নোংদোল পাইনা কুপ। মৈচাক তাঙগোই তানা তুমনা মৈচাকলে। হুয়েল লালশোক লালঙমঙৈদা। মৈমুপা য়াংসাংববু লাকচাথীনা লালঙমলে। মতিক চাওবা নিংথৌ সনা খোঙলেংনা লানথেংঙৈদগী সনা মিংথোল মিংহোংখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু লোইবী চীংশোংঙমবা। মৈমু পায়াংশাংবা ফাবা ও। হায়না মিংকৌ মিংথোলখিয়ে। লাইরেল সনা খোঙলেংনা। লালঙমবদি অসিনা লোইবা লৈখিদে। হাওরৈ নোংপোক খানা পাংবা লম। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯲꯰꯶)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯂꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯂꯂꯍꯥꯡ ꯃꯄꯨꯡꯉꯥꯏꯗꯥ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨꯅꯥ ꯆꯨꯡꯂꯦꯞ ꯶꯰ ꯂꯥꯂꯅꯥ ꯆꯣꯡ॥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯂꯈꯥꯡ ꯇꯥꯔꯥ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯆꯣꯡ॥ ꯈꯡꯅꯡ ꯇꯥꯔꯦꯜ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯂꯩꯇꯡ ꯂꯦꯡꯅꯥ ꯂꯥꯂꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯗꯤ॥ ꯂꯂꯍꯥꯡ ꯂꯝꯗꯝ ꯃꯄꯨꯡꯉꯥꯏ ꯂꯥꯂꯆꯥꯏꯔꯦ॥ ꯃꯌꯨꯝ ꯀꯩꯁꯥ ꯌꯨꯝꯁꯥ ꯃꯩꯕꯤ ꯃꯩꯊꯥꯅꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯗꯥꯉꯩꯗꯤ॥ ꯃꯩꯕꯤ ꯇꯥꯡꯒꯣꯏ ꯇꯥꯅꯥ ꯆꯥꯛ ꯃꯩꯈꯨ ꯅꯣꯡꯗꯣꯜ ꯄꯥꯏꯅꯥ ꯀꯨꯞ॥ ꯃꯩꯆꯥꯛ ꯇꯥꯡꯒꯣꯏ ꯇꯥꯅꯥ ꯇꯨꯝꯅꯥ ꯃꯩꯆꯥꯛꯂꯦ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯂꯁꯣꯛ ꯂꯥꯂꯉꯝꯉꯩꯗꯥ॥ ꯃꯩꯃꯨꯄꯥ ꯌꯥꯡꯁꯥꯡꯕꯕꯨ ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯂꯉꯝꯂꯦ॥ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯎꯕꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ ꯂꯥꯟꯊꯦꯡꯉꯩꯗꯒꯤ ꯁꯅꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯍꯣꯡꯈꯤꯌꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡꯁꯣꯡꯉꯝꯕꯥ॥ ꯃꯩꯃꯨ ꯄꯥꯌꯥꯡꯁꯥꯡꯕꯥ ꯐꯥꯕꯥ ꯑꯣ॥ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧ ꯃꯤꯡꯊꯣꯂꯈꯤꯌꯦ॥ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯁꯅꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ॥ ꯂꯥꯂꯉꯝꯕꯗꯤ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯣꯏꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ॥ ꯍꯥꯎꯔꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯈꯥꯅꯥ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ॥ ●

**মতম মতমগী ৱাখল**

# লমদমসিদা পাংথোক্লরিবা সেমিনার অমদি ঐখোয়



SAPAM BHEIGYA
Hon. Director, S.R Institute of Manipur Studies




লমদমসিদা সেমিনার অমা পাংথোকপসি হৌজিক্তি য়াম্না লায়না লায়না পাংথোক্লরে। মপাল লমশিংদা নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেল সেমিনারশিং য়াওরুবা খঙ-হৈরবা স্কোলার য়াম্না লৈবা হেনগৎলকপা অসিনা, লমদম অসিদসু তোঙানবা হীরম,ৱাফম কয়াদা সেমিনার কয়া মশক থোক্না পাংথোকপা হেনগৎলকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই । কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিসিটিদা তোয়না পাঙথোক্লরি। সেমিনার তোয়রিমখৈ নৈনবগী থিজিনবগী চাং হেনগৎলি মসি অফবনি হায়গনি।

ঙসিদগী চহী য়াঙ্খ্ৱেগী মমাংদা পাংথোকখিবা লমদমসিগী সেমিনারদি য়াম্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা য়াম্না তাঙনা পাংথোকখি অমদি সেমিনারগী হীরমসু য়াম্না মরুওইবা ঙাক্তা মতম চঙনা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লেপ্পী । সেমিনারদা য়াওবীগদবা দেলিগেটশিং অখন্নবা ওইরকই । সেমিনারদা পুথোকখিবা হীরমশিং মতম চঙনা খন্ন-নৈনখি অমদি ৱারেপ লৌরগা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনখি । সেমিনারগী মরমদা চে পাথোক্লবা থৌরাংদা খঙ-হৈরবা স্কোলার, পেপর রিদর মশীং য়াম্না লৈখিদে । নাৎকী মরমদা,অতৈ হীরমশিংদা খঙ-হৈবা,শিনফম অমা ওইনা হৈজবা ওজা-গুরুদি য়াম্না লৈখি। স্কোলার খরখক্লনা ওজাশিংগী মনাক্তা থিজিন খোমজিনজরুরগা মরুওইবা হীরমশিং লৌখৎপীদুনা য়াম্না একাদেমীক ওইনা চে লান্থোকপীখি।

সেমিনার অমা পাংথোকপা হায়বসি শিনবী-লাংবীরিবশিংগী পান্দম অমগী মখাদা পাংথোক্লে। সেমিনার অমা মথৌ তারকপা হায়বসি ৱারেপ অমা লৌনবা থৌরাং অমসুনি। সেমিনারদি মীয়ামগী ইশুশিংগসু মরী লৈনগল্লি । চে খক পাথোক্লগা, ৱাহং খর হংনরগা তোকপা য়াদে । ৱারেপ অমা লৌগদবনি। ঙসিদগী খরা ঙল্লিঙৈগী মতমদা ডিবেট অসিসু সেমিনারগুম্না য়াম্না মরুওইবা অমা ওইনা লৌদুনা পাংথোক্লরকখি। ডিবেট অমদি সেমিনার অমা পাংথোকপা অসিনা হীরম অমা, ৱাফম অমা হেন্না মমুৎ তানবা নৈনমিন্নবা, খঙমিন্নবা, হাপতোক হাপচিন তৌনবা, অখঙ-অহৈশিংগী মফমদগী হকথেংননা উন্নদুনা তমজহৌনবা, খঙহৌনবগী মফম অমা ফংবা ঙম্নখি। থবক্তা ওন্থোকলক্লবা হোৎনবদা ডিবেট অমদি সেমিনারগী হীরমশিংনা মতেং চাউনা পাংলকই। লৈপাক খুন্নাই অমগী মরুওইবা থবক অমা পাংথোকপা তারবদি, পাংথোক্কদৌরিবা থবক অদুদা মতেং ওইনা সেমিনার অমদি ডিবেট অসি মাংজৌননা শিন্নখি। সেমিনার পাংথোকপদা ডেলিগেট ফি থীদুনা (পৈশা খায়রগা) য়াওবা অমদি ফি থীদবা,চূম্না চে পাথোকপা,খন্ন-নৈনবখক তাজগদবা মী হায়না মখল অনী লৈরকই । ডেলিগেট ওইরবশিংদি স্কোলারশিংনা লান্থোকপা হীরমশিংগী নমথোক্লবা চেশিং অমদি সেমিনার অদুগা মরিলৈনবা,চে-চাংশিংনচিংবা খুদিংমক শরুক ফংগনি।

কুমশীং ১৯৭১ ওক্টোবরগী তাং ২৪দগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ ৭নি চুপ্পা ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীগী ওডিটোরিয়মদা, এদুকেসন ডিপার্টমেন্ট,মণিপুর অমদি শ্রীগোবিন্দ পালা লোয়শঙগী শেনগী তেংবাংনা মণিপুর জগোয়গী মরমদা অচৌবা সেমিনার অমা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমীনা শীন্দুনা পাংথোকখি। অদুগুম্বা সেমিনার অমা অমুক হন্না মতুংদা পাংথোকপা থেংনদ্রি হায়দুনা অখঙ-অহৈশিংনা হায়নৈ। মতম অদুদা ৱারেংজরিবা ইশাদি হায়স্কুলগী মহৈরোয় ওইজরি। লাইবক ফবদগী পাংথোকখিবা সেমিনার অদুগী পাথোকখিবা তোঙানবা হীরমশিংগী চেশিং, খন্ন-নৈনখিবা ৱাফমশিংগী ফোঙলবা অপূনবা লাইরিক ফংজখি। সেমিনারদা পাথোকখিবা,খন্ন-নৈনখিবগী হীরমশিং অদু ‘মণিপুরী ডান্স সেমিনার’ হায়না মিং থোনবীদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা ফোঙখি । সেমিনারগী হীরমশিংদা খন্নখিবা ৱারোলশিংবু খোমজিন তাশিল্লগা লাইরিক ওইনা ফংহনবা অসি অহানবনি। কুমশীং ১৯৭৫দা এলাংবম নীলকান্তনা এদিটর ওইরগা পুথোকখিবনি। এলাংবম নীলকান্ত মশামক সেমিনার অসিগী ডাইরেক্টরসু ওইবীখি। নেস্নেলগী থাক্তা পাংথোকখিবা সেমিনার ওইবনা সেমিনার অদুগী ডাইরেক্টর হায়বা অমা লৈহন্দুনা এলাংবম নীলকান্তনা থৌদাং য়াখি । মণিপুরগী নাৎ,কলা-সংস্কৃতি (আর্ট এন্দ কলচর), সাহিত্য-খোরিরোল অমদি অতৈ পরফোর্মিং আর্টশিং শুনা য়াওরবা সেমিনার অদুদা এলাংবম নীলকান্তগী থৌদাং চাউনা লৈ। মহাক্কী মরমদা তোঙান্না নৈনবা য়াবা, হায়বা য়াবা কয়া লৈরি। লাইরিক অসি ফংনখিদে। মীয়ামগীদমক কান্নগদবা কয়া অসি খঙবীরদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা অমুক হন্না কুমশীং ২০০৯দা অনীশুবা খুৎনম পুথোকপীদুনা সেমিনারগী লাইরিক অসি ফংহনবীখি।

পাথোকপীখিবা চেশিংগী ৱারোল অমদি খন্ন-নৈনবদা ৱারেপ লৌখিবা,ৱাফম কয়া য়াওরবা লাইরিক অসি জগোয় ঈশৈগীনা মপুং ওইজরগসু ,মণিপুরী নাৎকী মরুওইরিবশিং-থাং-তাগী, উমংলাই হরাউবগী,সঙ্কীর্তন ঈশৈ, পুং চোলোম, গোষ্টলীলা, রাসলীলা, চীং অমসুং তমগী ওইবা নাৎকী মশক ওইবশিং, খুনুং ঈশৈ অমদি কবুইগী জগোই-ঈশৈ অসিনচিংবশিংগী মরমদা কুপ্না নৈনখিবগী ৱাফম কয়ামুক য়াওরি। চে লান্থোকপীখিবশিং অসিদি মণিপুরগী মশক নাইখিবা মাইচৌ, শিল্তাক পুরেলশিং অমদি খঙ-হৈরগা ওজাশিংনি। অমুক হন্না পুনবদা ঙল্লরোইদবা অহল-লমশিং ওইখি। সেমিনার অসি লমদম অসিগী মীখক্লা ডেলিগেট ওইখিদে দিল্লি,বোম্বে, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম অমদি মদ্রাজনচিংবা মফমশিংদগী মণিপুরদা সেমিনার অসি য়াওবা লাকপীখি।

সেমিনার অমা থৌরাং তৌবা তারগদি জে এন ডান্স একাদমিনা কুমশীং ১৯৭১ দা পাংথোকখিবা অসিগী মওং লৌরগদি, ফজবা মপুং ফাবা সেমিনার অমা ওইবা ঙমগনি। হৌজিক্কী মতমগী সেমিনারদা উরিবা মশক মওং অসিদি মমাংদা পাংথোকখিবশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেন্নে। পেপর রিডর অমনা মহাক্না পাথোকচরিবা হীরম অদু মীয়ামদা খঙহন্নীংনা পাথোকচনিংবা অদু মতম লীক্লা শীজিন্ননবা হোৎনবদা ৱাতেন্বীরিবা (মোদরেটর) অদুনা শমজিন্না,শাংদনা চে পানবা হায়রকপদগী শম্না পারকপা, থুনা পাশিনবগী চৎনবী অমা হৌজিক্কী মতম অসিদা উবা ফংই। মওং, থৌওং অসি ঙল্লিঙৈদা পাংথোকখিবা সেমিনারশিংদদি কয়া থেংনখিদে । কলচর অমদি সাহিত্যগা মরি লৈননা ঙল্লিঙৈদা পাংথোকখিবা সেমিনারশিংদা এলাংবম নীলকান্তা, ওজা চোংথাম মনিহার,এলাংবম দিনমনি,ওজা নোংমাইথেম তোম্বীনচিংবশিংনা ৱাতেম্বা (মোডরেটর)কয়ারক ওইবীখি। পাংথোকখিবা সেমিনারশিং ঙসিগী অসিগুম্বা অমত্তা ওইদে। ঈংনা তপ্না রিডরশিংগী চেশিং লোইনবা মরিক চূম্না পাহন্নখি।

মতম খরগী মমাংদা ইপাথৌকোক্লা, গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা মরুওইবা সেমিনার খরা পাংথোকখি। পাংথোকখিবা সেমিনারশিং অদু মণিপুরী লোন্না ভারত সংবিধানগী নিপালশুবা সেদুলদা চন্দ্রিঙৈগী ইশুশিংগা মরি লৈননি। ক্লাস টেনগী পরিক্ষাদা পাকশন্না শিন্নরকপগী মতাং, ফোরেন্নর ইশুগী মতাং, করপসনগী মতাংদা অচৌ-অচৌবা ইশুশিংগা মরি লৈনবা অমদি লাইনীং লাইশোন নাৎকী মশক্তা হোংলকপা কয়াগা মরি লৈনবা ডিবেটশিংসু মশীং খঙদনা পাংথোকখি। লৈপাক পুংজাও থিনখি। মৈতৈ,মীতৈ,পোইরৈচা, কংলৈচা হায়গদবনি হায়বগী মতাংদসু, মীতৈগী চৎনবী নাৎকী মতাংদসু চাউনা সেমিনার অতোপ্পা কাঙলুপ কয়ানা পাংথোকখি । মণিপুর মতম ঈশৈগী হোংলক্লিবা কয়াগী মতাংদা, অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অস্মিক)নসু নুমিৎ ৩ নীরোম চঙনা রিডর তারামঙারোম্গী মথক্তা অখঙ-অহৈশিংনা চে পাবীদুনা অচৌবা সেমিনার পাংথোকখি, ৱারেপশিং লৌদুনা মরি লৈনবশিংদা লানখৎখি, থবক্তা ওন্থোকখি।। হৌজিক্লা অমুক অতৈ সংস্থান কয়ানা, সাহিত্য একাদেমী নই দিল্লিগা খুৎশম্নরগা লেপ্তুনা খোরিরোলগী ওইবা মখল কয়াগী সেমিনারশিং চহীগী কেলন্দর ৱার্ক ওইনা পাংথোক্লি । সাহিত্য একাদেমীনা পাংথোকপদি একাদেমীগী ওইবা পান্দম অমগীনি। য়াম্না নিয়ম চুম্না পাংথোকই। সেমিনারদা পাখিবা চেশিং অমদি ডেলিগেটশিংনা হংখিবা ৱাহং পাউখুমশিংগী মরুওইবা রিপোর্টসু, রিপোর্টর অমনা তোঙান্না ইরগা লানখৎলি । মতৌ অসুম্না, কাঙলুপ কয়া ওর্গেনাইজেসন কয়ানা ইশু কয়াগা মরিলৈননা পাংথোক্লখি। পাংথোক্লরিবশিং অসি পান্দম অমগী মখাদা ঙাক্তনি। লুরিবদি সেমিনারদা চাক য়াওরগা শিনবা,চাক্লা মরু ওইরকপা সেমিনারগী মচৎ অসিনি। রিপোর্টর য়াওদনা চে পাহল্লগা, থৌরম পাংথোকখি হায়বখক্কী মওংদা চৎথখিবা সেমিনারসু থেংনখি । লাকপীরিবা,য়াওবিরিবা দেলিগেতশিংনা চাক চাবা তোক্লবা মতুংদা মখা তাবগী সেমিনারদদি, পেপর পাবদা তাবীদনা অয়াম্বা চৎনখি । চাকচা তোকপা মতুংগী সেমিনার মী য়াওগন্দে। মোদরেটরনসু চাক্কী মতম ওইরে হায়দুনা রিদরশিংদা তেনশিন্নবা, শমজিন্না চে পাবীনবা হায়বগী মওং চৎনৈ । অসিগুম্বা চৎনবী অমা লৈরকপসিনা সেমিনারদা পুথোক্লিবা হীরমশিং অসিগী মরুওইবসি লৈরকখিদে । মসি য়াম্না ফজদবা মতৌ অমা ওইনা চৎনরি ।

S.R Institute of Manipur Studies, সগোলবন্দ তেরা পুখ্রি অচৌবদা লৈবনা শীনবিদুনা হন্দক্তা, ইথনোগ্রাফি (মীতৈ/মৈতৈ) হায়বা ৱাফম অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা, নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা পাংথোকখি। পেপর রিদর তরা মঙানা তোঙানবা হীরমশিংদা চে পাথোকখি। মশীং য়াম্লবা মহৈরোয় অমদি স্কোলার কয়াগা লোয়ননা খন্ন-নৈনখি। ইথনোগ্রাফিগী মতাংদা পাংথোক্লিবা সেমিনার অসি হৌজিক্কী মতম, ঙসিগী মীরোলদা য়াম্না মরুওইরি। য়েলহৌমী ওইরিবা লমদমসিগী মীওইশিংনা মশাগী নাৎ,চৎনবী কাওশিল্লকপা, ঙাক্লা চৎলক্তবা হায়বসি মীওই কাঙলুপ নৎত্রগা ফুরুপ অসি মুৎথরক্লবা মরম ওইরি। মসি পূম্নমক অসি থোক্তনবা নাৎকী মরুওইবশিং খঙমিন্ননবা অমদি কঞ্জনবা, য়োকখৎনবগী পান্দমদা S.R Institute of Manipur Studies,অসিনা শীনবা সেমিনারনি। কাঙলুপ অসিনা সেমিনার কয়া লেপ্তুনা পাংথোকলক্লি। হন্দক পাংথোকপা সেমিনার অসি য়াম্না মরুওই অমদি মতাং চায় । মথক্তা পঞ্জখিবা, মতম অমা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীনা পাংথোকখিবা কুমশীং ১৯৭১গী দান্স সেমিনার অদু নীংশিংহল্লি । মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা পল্লিসর ওইবীরগা,ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা এদিট তৌদুনা পুথোকখিবা লাইরিক অদুগুম্না S.R Institute of Manipur Studies, সগোলবন্দ তেরা পুখ্রি অচৌবদা লৈবনা লাইরিক ওইনা পুথোকলক্কনি হায়গী থাজবা লৈ। ইন্সটিট্যুট অসিনা মমাংদসু লাইরিক খরা পুথোকপীদুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহল্লি । ইন্সটিট্যুট অসিগী মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা অসি অতৈ নত্তে, আর্ট এন্দ কলচরদা দিপুটি দাইরেক্টর ফাওবা ওইবীরম্লগা থবক্তগী পোথাবীখ্রবা সাপম ভৈগ্যানি। কলচরেল এক্তিভিষ্ট অসিনা নাৎকী চৎনবী অমদি অতৈ লমদম অসিগী ইথনো কলচরেল হেরিটেজ কয়াবু চাউখৎনবা কন্না হোৎনবীরি । থবক্তগী পোৎথারবা মী অয়াম্বা মপান থোক্কন্দে, মীরক তিনগন্দে । ওজা সাপম ভৈগ্যাদি থবক্তগী পোৎথারবা মতুংদগী হেন্না মীয়ামগী থবক তৌবা হেনগৎলক্লি। ওজা ভৈগ্যানা হোৎনরিবশিং অসি লন্নাইগী নত্তে, শেন্দোংগী থবক য়াওদে । অসিগুম্বা কৎথোকপা মীশক খরা ঐখোয়গীদমক মথৌ তারি । চিন খক্তা ঙাঙলগা লৈবা নত্তবা,মখোন থোক্তনা মরোন লোনবা ওজা সাপম ভৈগ্যগুম্বা কলচরেল এক্তিভিষ্ট য়াম্না লৈরগদি নাৎকী পোৎশকশিং মশক হেন্না থোক্কনি। সেমিনার য়াম্না তৌরগসু মীওই খরখক্কী ওইদবা মীয়ামগী লন ওইহনবা হায়বসিনি অফবা সেমিনার অমগী মরুওইবসি । ইথনো মীতৈ/মৈতৈ হায়বা সেমিনার অসি মীয়ামগী মরুওইবা অমা ওইখি। ●

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

**ৱারী ককনাউ**

# শ্রীয়ূম্নাম তোম্বা

“চহী কয়ানো অসুক ৱানা ইমুং পুমিন্নরক্লিসে। সি করিগী মানা খঙদ্রিনো? ঐসিবু মহাক্না নহানখৈ করি ওইনা খনবীরম্বগে? সিগী খল্লুবদা ঐনে ঐ থৱায়সি য়াম্না পেল্লক্ত্রে” হিক হিক লাউনা কপ্লগা ৱাদু মতৎ-মতৎ ওইনা য়াম্না পেন্দনা য়ূম্নাম তোম্বগী লোয়নবী শখিতোম্বীনা ইনে লাইবীদা ৱাকৎলি।

“চুম্মী, চুম্মী, মা ৱাখল খরা খন্থবা ৱাৎলি। অদুবু হৌজিক্তি কৈদৌরুনি, মানা নঙবু মীরাইবমক্তি ওইরমগনি হায়বদি থাজদে। ঐ মাগা ৱারী অমুক্তা শানদুনা য়েংখিগে, নঙগী অশাওবদো অমুক্তা ফাথখো” ইনে লাইবীনা শখিতোম্বীবু থেমজিল্লি।

“ইনে ঐ শাউদে, কৈদৌবে শাউদুইনো? ঐবু পামদ্রে, ঐবু নুংশিদ্রে হায়দুনা অতোপ্পা নুপী অমা পুশিল্লক্লগা ঐনা করিগী শাউদুইনো? অদুবু ঐনা খিতং পেন্দবা হায়রগদি, মাগী মবুকচেল অদুনি। চুম্মী, ইনে, ঐ ইচা…” শখিতোম্বীদু ৱা ঙাঙবা থোকখিদ্রে, হান্নদগী হেন্না হিক-হিক লাউরকই। পেন্না মীকুপ খরা কপথোক্লে, অদুগা মখা তারকই। “ঐ ইচা পোক্তে, মা মচা পাল্লমগনি। ইনে সিবু ঐনরা, ইনে, মসি ঐগী ইরাইবকনি। ঐগী ইরাইবকসে থীদ্রা? থীরবা ইরাইবকসিদা তাইনবা নত্তনা ঐ কনাদা তাইনরুনি” শখিতোম্বী হন্দক্তি ৱা ঙাঙবা শুংথোক থোক্ত্রে। য়াম্না কপ্পি, পেন্নবা কপ্পি।

ইনে লাইবীনা শখিবু কোনশিন্দুনা থেম্বা য়াবা থেম্মে।

“সে কপকনুসে, কপ্পদি ৱাখল অমত্তা থোক্লরোই, হৌজিক কৈদৌসিগে হায়দু খন্নসি সে…”

“ইনে কৈসু খন্ননীংঙাই লৈত্রে, ইনে (মখোল হৌনা খংকপ কপ্লগা) ঐ য়ূমদা হল্লগে, ঐ মাগী মনাকসিদা লৈররোই। মানসু ঐবু উরগা পেল্লরোই। ইনে, ঙরাংতনি মানা ঙা অতাওবা থোংবা চানীংই হায়দুনা ঐনা ঙা তাওবদা থাও চোংখিদুনা খূৎসি পোকপদগী ঈশিং হাল্লিবসে, য়েংঙুনে ইনে….” মাগী পাম্বোম ময়াদা থাও চোংবগী ঈশিং চাউনা হাল্লিবদু উহল্লি।

“হোয়নে সিদি ওন্থোক্লা থীনা ঈশিং হাল্লেদা, নঙবু মোলোমগা অমত্তা তৈহৌদ্রবরা?”

“তৈদে, তৈররোই, হাল্লসনু, শিবা য়ানা পোক্লসনু। মা পেল্লসনু। মাগী মবুকচেলদা অসুম্না অরোনবা অমা লৈরমগনি হায়বসি অপংবী ঐনা থাজরুদে, অদুগদি মাদি মবুক য়াম্না শেংলমদ্রে। ঐনা মাগী পেন্নবা তৌজবসে মা য়াম্না পেল্লমদ্রে। ইনে, ঐনা মাগী মফি মরোল শূদুনা ইষ্ট্রি তক-তক্তুনা মশা নান্না চৎহনবসে নুপী কোয়রুচো হায়না ঐনা চৎহনবগা চপ মান্নখ্রে। হৌজিক্তি মা নুপী অমা পুরক্লে, ঐনা য়ূমসিদা কৈদৌরুনি। ঐবু মমাঙ শঙ্গোয়সিদা ফক্লোং খারগা লৈগদ্রনে ইনে? মখোয়না নোক খেদুনা লৈবদু ঐবু তাদুনা লৈয়ু হায়ব্রনে ইনে? ঐবু খাম্বীরনু ঐ চৎলগে” ফুক হৌগৎলগা শখিতোম্বীদু মাগী মফি মরোল হোংখ্রে। ইনে লাইবীদু পাম্বে লৈতে। মাগী মতৌদু তিঙক তিঙক য়েংদুনা খামসি খাঙমদা লৈরি।

“কমদৌনি তৌরিসিদি? ঐখোয় তোম্বসিসু ৱাখল খন্থমন্দবা হায়দুনি?” ফনা য়াম্না খাম্মী অদুবু মথৱায় চাক্লবী সখিতোম্বী য়াখিদ্রে, মনেগী মখূৎ কনথৎতুনা কপ্না কপ্না য়ূমদগী চেন্থোকখ্রে।

শখিতোম্বী মপামদা হনখ্রে। য়ূম্নাম তোম্বসু অনৌবী নুপীদুগা লৈমিন্নখ্রে। থা অমা ওল্লকপা অদুদা নোংমা অয়ূক অমা ইনে লাইবীদু য়ূম্নাম তোম্বগী য়ূমদা হাথু-হাথু চেনশিল্লকই।

“তোম্বা তোম্বা… তোম্বা। হে নঙবু কায়দা লৈগেনে?” তোম্বদু খুদৈ হঙ্গাম্পাল অমা ইশুপ শুপখৈ শেৎলগা হকাম লাউনা চন্দুনা মমিৎ নোই নোইদুনা ইমুংদগী থোরকই।

“য়াহৌ থেংখ্রেদা তোম্বা, নশাদু ফররোইনে, য়াহৌ ঙল্লুনে”

“কৈদৌরে ইনে”

“হে পাউ অমা লৈরেনে”

“করি পাউনো ইনে”

“ঐ হৌজিক্তা ডাক্তর চাউবগীদগী হল্লকপদা ঙাইরি। শখিতোম্বীদু ডাক্তরদা য়েংদুনা লৈরম্মী। ঐনা হেক চঙখিবগা মা য়েংবা লোইরগা থোরকপদা থোঙ্গালদা থেংনৈ”

“মাবু কৈদৌরগে ইনে? য়াম্না কন্না নারব্রা?”

“নাবা নত্তেনে, তোম্বা মাদো…”

“কৈদৌরবা?”

“ডাক্তরনা নীংথিজনা য়েংলে হায়, থা লেপ্পে হায়নে”

“ইহ! অশেংবরনে ইনে”

“অশেংবনিনে, হৌজিক কমদৌসেবা, মাবু কৌশিনবীরগা নীংথিনা লৈমিন্নবনা ফৎত্রনে তোম্বা, নঙ অমুক্তা মুন্না খল্লু, সিগী ফীভমসিদা মাবু নঙনা হন্না য়েংদবা হায়বসে য়াম্না চুল্লোই, খল্লু-খল্লু”

য়ূম্নাম তোম্বদু মাঙ্গোলগী চুরি তাফমদা মখোঙ ঙেক লাওনা য়ান্থরগা ফমথরকই। তাঞ্জাসিদা মৌ অনৌবী থোইদিংনমদু চা গ্লাস অনী পুথোরক্তুনা থোরকই। থোঙজিন মপা হেক য়ৌবদা য়ূম্নাম তোম্বনা হায়রকই।

“ইস মাসু খরা থেংমল্লিদনা, নহানখৈদি কৈদৌ লৈগে, হৌজিকপু ঐবু…”

মৌ অনৌবীদুসু তূমিন লেপ্পগা ৱাদু তারি, মাসু কৈনো হায়নরিসিবু হায়না খল্লমগনি। ইনে লাইবীনা চৈবোই করিবোই মখা তারকই।

“হে অপঙ! মসি নঙনা থোকহনবা ঙাক্তনি। নীংথিনা ডাক্তর য়েংথোক্লগা ফজনা তানরম্মদি কৈসু তৌরোইদবনি। ঙন্না পোকপা, থেংনা পোকপা হায়বসু লৈবনি। য়ূম পানবা কুইরে হায়দুনা হেক্তা পোক্লোইদবসু নত্তে। চহী তরা মনুংদা মচা কোকথোং অমা পোকপসু লৈরিবনি। হৌজিক মহাক্না মীরোল্লিবসে, মাগী মতম হায়দু শুরক্তুনা তৌরিবনি। মাবু কৌশিল্লু ঙসিমক”

খঙহৌদনা গ্লাস লৈমায়দা তাদুনা কায়বগী মখোল অমা তারকই। ইনে লাইবী অমদি য়ূম্নাম তোম্বা হন্না য়েংথোরকপদা মৌ অনৌবীদু থোঙজিন মপান্দা চপ য়ুংনা তূমিন লেপ্তুনা লৈরম্মী। য়ূম্নাম তোম্বা লৱাই শম চপ-চপ য়ুংখি। ইথক থক্কৎলবা য়ূম্নাম তোম্বনা ইপা পাখত্তনা ফুক হৌগৎলগা হংজে।

“থোইদিংনম কৈদৌরে?”

থোইদিংনম খুমদে, মমিৎতু কাইদনোমা য়ুংনা য়েংলি। ইনে লাইবীসু চঙশিল্লকই অদুগা মরেংজুমদা পায়বীরগা থেমজিনবোই করিবোই তপ্না হায়রকই।

“থোইদিংনম, ৱাসে নঙসু তারবা খঙলবা নৎত্রা? নোই অনী মুন্না অমুক্তা খন্নৌ, অদুগা নোইনা ৱারেপ অমা হেক লৌবদা কাউরোইদবদি - নোই কনা অমত্তা কায়নবা অমদি শাওনবদি য়াদেকো। ইনে হোরেন লাক্কে। খন্নরম্মু”। ইনে লাইবী চৎখ্রে। য়ূম্নাম তোম্বা চঙশিল্লক্লগা, লৈমায়দা তারিবা চা হৈদোক্লবা গ্লাস অদু খুনগৎলগা মমায় লুকথদুনা হায়রকই।

“থোইদিংনাম, ঐসু মঙগুম্মে তৌরিসে, নঙসু নুংঙাইরম্মরোই, অদুবু কৌশিনবীরুরসি” থোইদিংনমসু তপ্না ফমথরকই।

“কৌবীরুরো, অদো, ঐবু য়ূমদা খরা থাদবীরম্মু”

“কৈনো নঙনা অমুক তৌখৎলক্লিসিনা?”

“ঐ খল্লে”

“খল্লিদু ফল লাল্লি। ফজনা লৈমিন্নরসি”

“লোক অমদা কৈ অনী কুনবা হায়দু থোক্লনি, নকোক শানি”

“নঙদা কৈ ওনগনু, মাসু অতেবা কৈ ওইনা মরাইনা লৈজনি” হায়রম্মগা শ্রী য়ূম্নাম তোম্বা ইমুং চঙখি।

**- নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।